# ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ হৌদোকখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২৬ঃ*

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৩১ ফাওবা চখ্থগদবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা ঙসিদগী মণিপুর সরকারগী দিপুটি চিফ মিনষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, বিষ্ণুপুর, সেনাপটি, থৌবাল কাংপোকপি, তেংনৌপল, ককচিং অমদি চুরাচান্দপুর মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১০ অমদি এম পি এস সি (মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব)গী নুপা ১৬৩ অমদি নুপী ৯৩ অপুনবা শান্নরোই ২৫৬না তোঙান তোঙানবা ৱেট কেতাগোরিদা লম্বা তৌনবা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেতাগোরিগী বাউটশিং পাঙথোকখি।

ঙসি অহানবা শান্নখিবা কেজি ৪২দগী ৪৪ ফাওবগী সব জুনিয়ার মেন্সকী বাউটতা বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্টকী এস ঐচ রাহুলনা উখ্রুলগী আর বিসো কোইরেংবু মায়থিবা পিখ্রে।

কেজি ৪৪-৪৬ ফাওবগী বাউটতা থোইথোইবা লোঙজম (ককচিং)না এল স্যামসন (চুরাচান্দপুর)বু মায়থিবা পিখি। কেটাগোরি অসিমক্কী অনীশুবা বাউটতা এল রোজিৎ (ইম্ফাল ৱেষ্ট)না মজাগাঙপু কামৈ (তেংনৌপল)বু মায়থিবা পিখি।

কেচি ৪৬-৪৮গী সব জুনিয়ার মেন্সকী অহানবা বাউটতা টি ঐচ রাজপ্রিয়ার (থৌবাল)না এ দিপক (ককচিং)বু, অনীশুবা বাউটতা টি লময়ানবা (উখ্রুল)না এম ইমরান (কাংপোকপি)বু অমদি অহুমশুবা বাউটতা এম চুং নৈরেং কোম (চুরাচান্দপুর)না টিঐচ বিকিরাজ (তেংনৌপল)বু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪৬-৪৮ সব জুনিয়ার মেন্স এম থোইথোইব (ককচিং)না রোহন্দাস (ইম্ফাল ৱেষ্ট)পু অমদি অনীশুবা বাউটতা টি সোমোর্জিৎ (থৌবাল)না রাহুল কুমার (কাংপোকপি)বু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪৮ জুনিয়ার ৱুমেন্সদা গ্রেস য়ুম্নাম (বিষ্ণুপুর)না ঐচ মোনিকা (ইম্ফাল ৱেষ্ট)পু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪৬-৪৮ সব জুনিয়ার ৱুমেন্সদা টি ঐচ ইলিজা (ইম্ফাল ৱেষ্ট)না লালরিনছানি পাউট্টু (ইম্ফাল ইষ্ট)পু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪৮-৫০ সব জুনিয়ার ৱুমেন্সদা বোইচোং হাংসিং (ইম্ফাল ৱেষ্ট)না টি এস ইলিজাবেথ চিরু (উখ্রুল)বু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪২-৪৪ সব জুনিয়ার ৱুমেন্সগী অহানবা বাউটতা এন কলপনা (থৌবাল)না আই অনজলি (বিষ্ণুপুর)বু অমদি অনীশুবা বাউটতা তিমৈরেচোন কাসোমৱোসি (উখ্রুল)না এ রেক্কা (ইম্ফাল ৱেষ্ট)পু মায়থিবা পিখি।

কেজি ৪২-৪৪ সব জুনিয়ার ৱুমেন্সদা লিলি কামৈ (ইম্ফাল ইষ্ট)না এল ইন্দিরা (থৌবাল)বু অমদি অনীশুবা বাউটতা এস সুর্মালা (বিষ্ণুপুর)না এম সর্দা (উখ্রুল)বু মায়থিবা পিখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা হোরাইজন হোস্পিটাল এন্দ রিসার্স ইনষ্টিট্যুটকী মেনাজিং দাইরেক্তর ডাঃ ৱাই য়াইমা অমদি ১৬৫ ইফেন্ট্রি বতালিয়ন(টি এ), (ঐচ এন্দ ঐচ) অসাম রাইফলসকী কর্নেল সনজয় মোথেনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি এদিস্নেল দি জি পি ইন্টিলিজেন্স এন্দ সেক্রেটরি এম পি এস সি পি দোঙ্গেল না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# অনিসনা রেপিদ ফায়রদা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখ্রে

*প্লিজেন,মে ২৬ঃ*

জেক রিপব্লিক্কী প্লিজেন সিটিদা পাঙথোক্লিবা ২৭শুবা মিটিং ওফ সুটিং হোপ্স ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী জুনিয়র সুট্টর অনিসনা নুপাগী মিটর ২৫গী রিপিদ ফায়র পিষ্টোল লেভেলদা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী অনিসনা মিটর ২৫গী রিপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ১৮ ফঙলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফঙখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ফ্রান্সকী ক্লিমেন্ট গ্রেফরনা পোইন্ট ২৭ ফঙলগা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা য়ুক্রেনগী সুট্টর পাব্লো ক্রেপোষ্টনিয়াগনা পোইন্ট ২১ ফঙলগা লৌখি।

সুটিং কম্পিটিসন অসিগী নুপীগী জুনিয়র কাংলুপ্তা পাঙথোকখিবা মিটর ১০ গী ইয়র রাইফলসকী কাংলুপ্তা মারিয়া ইভানোবানা পোইন্ট ২৪৭.৭ ফঙলগা গোল্ড মেডল লৌখি।

য়ু এসকী ইমিলি স্টিথনা পোইন্ট ২৪৭.৩ ফঙলগা সিলভর অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ফ্রান্সকী ইনেস নেৱাদানা পোইন্ট ২২৫.৫ ফঙলগা লৌবা ঙমখিবনি।






## নেরোকাগী অরোইবা মেটচ সাউদর্ন সমিটিগা শান্নরগনি

*ইম্ফাল,মে ২৬ঃ*

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েংদগী হৌরগা মেথাগী ৩১ ফাওবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমা হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী দিপুটি চিফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা চিফ গেষ্ট, এদিস্নেল দি জি পি ইন্টিলিজেন্স এন্দ সেক্রেটরি এম পি এস সি পি দোঙ্গেল অমদি হোরাইজন হোস্পিটাল এন্দ রিসার্স ইনষ্টিট্যুটকী মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ ৱাই য়াইমানা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি ১৬৫ ইফেন্ট্রি বতালিয়ন(টি এ), (ঐচ এন্দ ঐচ) অসাম রাইফলসকী কর্নেল সনজয় মোথেনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।






# ৭ শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিয়েল সেনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

*জিরিবম, মে ২৬ঃ*

ওল জিরিবম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা জিরিবম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা ঙসিদগী ৭ শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিয়েল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকখ্রে।



ঙসি অহৌবা নুমিৎতা বিবিসি বিদ্যনগর অমসুং পি ৱাই সি ফাইতোল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা বিবিসিনা পি ৱাইসিবু ২৫-১৩, ২৫-২৩, ২৫-০৭ দা মায়থিবা পীখি।

অহৌবা নুমিৎ অসিগী অনীশুবা মেটচতা এনৱাইসি নমদাইলুং অমসুং আরৱাইসি রমগাইজাংগা লম্বা তৌনবদা এনৱাইসিনা ২৫-২১, ২৫-২১, ২৫-১৫ অমসুং ২৭-২৫ দা থোইখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক-হৌজিক দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ৱাই জয়কুমার সিংহনা মহাক্কী অপোকপা ৱাই কেসোগী মমিংদা কৎপনি।

ঙসি ৭ শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিয়েল সেনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সুপরিনটেন্দেন্ট ওইরিবা এম তিলোক সিংহনা চীফ গেষ্ট ওইখি অদুগা এস মনিতোন সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মেটচ অনীগী রেফরিশিং অদুনা এ দিলিপ সিংহ অমসুং এ ববাহল সিংহনা ওইখি।

# অহানবা টাইগর কপ ২০১৭কী মখা তাবা মেটচ শান্নবা হৌখ্রে

*ইম্ফাল,মেক ২৬ঃ*

সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব টাইগর কেম্পনা শীন্দুনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৬তগী টিম ১৯না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা এস দি সি টাইগর কেম্পকি শান্নবুংদা চখ্থরকখিবা অহানবা টাইগর কপ ২০১৭গী লোয়শিনবা ঙমদনা লাকখিবা মেটচশিং মখা চখ্থরকপা ওইনা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখ্থরকপা ওইনা ঙসি শন্নখিবা মেটচতা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্বু গোল ৫-৩দা মায়থিবা পিখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই দি সি এলগা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়নন নাকল অনীমক্লা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফতা নাকল অনীমক্কা অকনবা এটেক চখ্থনবগা লোয়ননা মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগী জর্সি নম্বর ১২না গোল স্কোর তৌদুনা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা অহানবা গোল চনখি।


ৱাই দি সি এলগী মাইকৈদগীসু অকনবা এটেক চখ্থরকপগা লোয়নন মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৪ খেলেম্বনা গোল ১ চনবদগী নাকল অনীমক্লা গোল অমমম চন্নদুনা মেটচ অদু ড্রো ওইখি।

মায় পাকপা টিম অমা খন্নবগীদমক পেনাল্টি শুট আউট চখ্থবদা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা গোল ৪ চনবা ঙম্বদগী মায় পাকখিবনি। অদুগা ৱাই দি সি এলনা গোল ২ খক্তমক চনবা ঙম্বদগী মায়থিহৌখিবনি।

# লিওন ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭গী ফাইনেলদা সোঙ্গা অমসুং বর্দিস থেংনরগনি

*লিওন, মে ২৬ঃ*

ফ্রান্সকী লিওনদা চখ্থরিবা লিওন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই তোমাস বর্দিসকা লম্বা তৌনরগনি।



ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা শান্নরোই অনীনা হয়েং ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা জোরজিয়াগী শান্নরোই নিকোলোস বসিলাস বিলিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কান্না শান্নদুনা সেট ৩ থেংনখি। অহানবা সেট টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ফ্রান্সকী সোঙ্গানা বসিলাসবিলিবু ৬-২ দা থোইখি।

অদুবু অনীশুবা সেটতা জোরজিয়াগী শান্নরোই বসিলাসবিলিনা সোঙ্গাদগী ফজবা অমুক হেল্লকপদগী সর্ভিস ব্রেক অমা ফঙদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট ১-১ মান্নখি।

অহুমশুবা সেটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই অদুনা জোরজিয়াগী বসিলাসবিলিবু অহেনবা মওংদা শান্নবা ঙম্বদগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইবদগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু সেট ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

সোঙ্গানা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা কানাদাগী শান্নরোই মিলোস রাউনিকপু য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবা মতুং ত্রাইব্রেক সেট ২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিসনা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্কা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা সেটতা য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈনরকপদগী গেম ১২ লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা তাইব্রেক শান্নখি।

তাইব্রেক অদুদসু কানাদাগী টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৱান ওইরিবা মিলোস রাউনিক অমদি জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিস অমনা অমগী সোটশিংদা পাউখুম চপ মান্না পীনরক্তুনা পোইন্ট ৫-৫ ফাওবা মান্নরকখি।

তাইব্রেক অদুগী থংনবা পোইন্ট অনী তোমাস বর্দিসনা ফঙদুনা ৭-৫তা হেনবগী অহানবা সেট অদু মহাক্না রাউনিকপু থোইখি।

অনীশুবা সেটতা লম্বা মান্নবা শান্নরোই অনীগী মশান্নদা অমনা অমগী অশোইবা মফম থিবদা অৱাবা ওইনখি। অহানবা সেটকুম্না গেম ১২ লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনবদগী টেন্নিস মশান্নগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না তাইব্রেক অমুক শান্নখি।

অনীশুবা তাইব্রেক অদুদা জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিসনা অহৌবদগী হেন্দুনা লাকপদগী পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা লিওন ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাগা লম্বা তৌগনি।

ফ্রান্সকী অতোপ্পা সহর ষ্ট্রাসবর্গতা পাঙথোক্লিবা দব্লিউ টি এ টেন্নিসকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌন্নগদৌরি।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই সমান্থা স্তোসুর অমসুং দরিয়া গাব্রিলোভানা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

সমান্থা স্তোসুরনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই পেং শ্বাইবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭-৬ (৭-০, ৬-৪) দা থোইখি। অদুগা সমান্থা স্তোসুরনা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই দরিয়া গাব্রিলোভানা ফ্রান্সকী শান্নরোই কেরোলাইন গার্সিয়াবু ষ্ট্রেট অনীদা ৬-৪, ৬-২দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা চাইনিস তাইপৈগী জুরা হো চান অমসুং ৱাই চাননা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা এ বারটি অমসুং সি দেলাকুৱাগা ফাইনেল শান্নরগনি।

চাইনিস তাইপৈগী জুরা অদুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা কজষ্টান অমসুং নেদরলেন্দসগী জুরা সি স্কামিয়োভা অমসুং ই ৱাকানোবু য়াম্না কোম্না ৬-০,৬-১দা থোইরমখি। নাকল অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা বর্তি অমসুং দেলাকুৱানা জপান অমসুং চাইনাগী জুরা এস ওয়ামা অমদি জে য়াংবু ৭-৬ (৭-২), ৬-১ দা থোইবা ঙমখি।

# অকাস চিকতেনা শ্রিজেসকী মহুৎ শীনগদৌরি

*ন্যু দিল্লি,মে ২৬ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী নম্বর ৱান গোল কিপর পি আর শ্রিজেসনা শোকখিবদগী নহা ওইরিবা অকাস চিকতেনা মহুৎ শীন্দুনা জর্মনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অহুমগী হোক্কি টুর্নামেন্ট অমদি লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগকী সেমি ফাইনেলদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌনবা হোৎনগদৌরি।



পনবা য়াই অকাস চিকতেনা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নবা হৌরকপা অদু মমাং চহিগী মালেসিয়াগী সুলটাল অজলান সহা কপ হোক্কিদা ওইখি।

মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুদা য়ুম্বু লৈবাক মেলেসিয়াগা শান্নবদা ইন্দিয়ানা ২-১ দা থোইখিবা মেটচ অমদুদা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌখি। মহাক্না ফোঙদোরকপদা শ্রিজেসকী মহুৎ মহাক্না শিল্লকপা অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা টিমগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না থাজবা থমখি।

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*